**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-03-2026)**

**মীফম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-রাজ্য অসিদা লৈরিবা নুপীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা সরকারনা পায়খৎলিবা ৱুমেন ইকোনোমিক ইম্পৱারমেন্ট স্কিম অসিগী অকুপ্পা ৱারোল অমদি চৎন-কাঙলোন য়াওরবা নোটিফিকেসন অমা অথুবা মতমদা থোক্লগনি।

মনিপুর বিধান সভাগী ঙরাং অহৌবা মীফম পুথোকখিবা শেনবা চহি ২০২৬-২০২৭ কী বজেট এসিষ্টেমেটকী ঙসি খন্ন-নৈনবদা বিরোধিনা হংল্লকখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ৱুমেন ইকোনোমিক ইম্পৱারমেন্ট স্কিম অসিগী অকুপ্পা ৱারোল য়াওবা নোটিফিকেসন অমা থোকবা শেম শারি। মীয়ামদা অথুবা মতমদা খঙহল্লক্লগনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী বজেট ইষ্টিমেট অসি লুপা কোতি লিশিং ৩০,৯৬০ নি। অদুগা, চহি অসিগী রিভাইজ ইষ্টিমেটনা লুপা কোতি লিশিং ৩৩,০১০ ওইখি। রিভাইজ ইষ্টিমেটনা বজেট ইষ্টিমেটতগী হেনবগী মরমদি চহি অসিদা মতম শাংনা পীথোক্তনা লাকখিবা পেন্সনগী শেনফম পীথোকপা য়াওনা অতৈ তঙাইফদবা হীরম কয়াদা চাদিং তৌখিবননি।

ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা আই.দি.পিশিং সরকারনা ২০২৪ দগী বজেটতা শেল হাপ্তুনা মতেং পাংদুনা লাক্লি। শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী বজেট অসিদসু আই.দি.পিশিংগী লুপা কোতি ৭৩৪ হাপলি।

লন্বী থোং শেমবা বজেটতা হাপলিবা লুপা কোতি ৯১৪ অসি মরুওইনা পি.এম.জি.এস.ৱাই. অমদি পি.ডব্লিয়ু.ডিগী মখাদা লন্বী শেমবনি। এস.এ.সি.সি.আইদগী অহেনবা শেনফম লুপা কোতি ৫০০-৬০০ রোমসু লাকখিগনি। দোন্নর অমদি এম.ও.আর.টিদগী লাক্কদবা শেনফমদি কন্সত্রক্সন

এজেন্সিশিংদা দাইরেক্ট ফন্দ চৎখিগদবনা বজেটতা উৎতবনি হায়না মখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি।

বজেটকী খন্ন-নৈনবদা শরুক য়ারদুনা বিরোধি লুচিংবা কৈশাম মেঘাচন্দ্রনা হায়-বজেটকী শেনফম চহি অসিদা হন্থরকপা অসি নুংঙাইতবা পোকই। ইরাংনা মরম ওইদুনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংগী লুপা কোতি ৭৩৪ খক হাপ্লসি য়ামনদে। মসিনা মাঙখিবা লন-থুম ময়াম অসি মেনখৎপা ঙমলোই।

বজেট অসিগী কম্পোজিসন ওফ এক্সপেন্দির, রিভিনিয়ু এক্সপেন্দিচর য়েংবদা শেল পুরবগী শেন্দোই চাদা ৬, পেন্সন পীবগী চাদা ১৮, তলব পীবগী চাদা ৩০ য়াওনা অতৈ লোয়না খাইদোকখগা য়ুথ ইমপ্লোইমেন্ট ৱাটর সপ্লাই, লৌউ শিংউ, হকশেল, শিক্ষানচিংবা তোঙান তোঙানবা ৱেলফিয়ার প্রোগ্রামশিং পায়খৎনবগী শেনফমদি, শুপগী চাদা ৪৪ মুক্তা লেমহৌরে। মসিনদি রাজ্য অসি মতৌ করমা চাউখৎপা-নুংঙাই য়াইফবা ঙমগনি হায়না নুংনাংবা ফোংদোকখি।

**লোকেল(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা পাঙথোকপা খ্বাইদগী চাউবা কুম্মৈ ওইরিবা সঙাই ফেষ্টিবেল পাঙথোকপগী মফম অমা ওইরিবা বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না মোইরাং খুনৌদা লৈবা সঙাই ইথনিক পার্ককী শেমগৎ শাগৎলিবা ফিভমশিং টুরিজম মন্ত্রি-খুরাইজ লোকেননা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিনা মরম ওইরগা সঙাই ইথনিক পার্ক অসি চহি অহুমলোম য়েংশিনবা ঙমদনা লাকখিবনি। পার্ক অসি সঙাই ফেষ্টিবেলগী মাংওইননা শেমজিনবা অমদি অনৌবা ষ্ট্রকচর কয়া হাপচিন্নবা থৌরাং লৈরে। পার্ক অসিদা লৈরিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর কয়া অসি য়েংশিনবা ঙমদনা লাকপা অসিনা মরম ওইরগা অমাং অতা থোক্লম্বা অসি উবদা নুংঙাইতে। পার্ক অসি চহি অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা সঙাই ফেষ্টিবেলগী মাংওইননা শেমজিন শাজিনবগী থৌরাং পায়খৎলগনি। মীয়াম

অমসুং লম কোইবা মীওইশিংগী য়েংলগা অহেনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং হাপচিনবা হোৎনরগনি। মসিদা মীয়ামনা মতেং পাংবিয়ু।

**রাজ্যপাল (এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা হায়রি-মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরচগী তোপ তোপ্পা গুনদি, রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা নাৎ, চৎনবী অমসুং সংস্কৃত্তিগী ওইবা লমশিংবু য়োকখৎতুনা হেন্না চাউখৎহন্নবা হোৎনরিবা অসিনি।

মহাকা হায়-য়ুনিভরসিতি অসিদা তম্লিবা মহৈরোইশিংনা মনিপুরগী কালা সংস্কৃত্তি অসিবু য়োকখৎতুনা অমসুং ঙাক্তুনা থমবগী থৌদাংশিং লৌগদবনি। মনিপুর য়ুনিভরসিতি ওফ কলচরগী অহানবা কনভোকেসন থৌরমদা শরুক য়ারদুনা রাজ্যপালনা হায়-য়ুনিভরসিতি অসিনা মহৈরোইশিংবু তাকপী তম্বীদুনা মহৈ মশিং হৈহনবা খক্তা নত্তনা নাৎ অমসুং মহৌশাদগী লৈরক্লবা কালা সংস্কৃত্তি য়োকখৎপদসু অচৌবা থৌদাং লৌরি। য়ুনিভরসিতি অসিগী পায়খৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী থবক থৌরমশিং খুমাং চাউশিন্না চংশিল্লি। রাজ্যপালনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট--(গভনর)**

ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা পুন্না মহৈরোই ৪০০ হেনবদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখি ।

**এনইপি(এল)ঃ** ভারত সরকারনা লৈবাক অসিদা শিক্ষাগী মগুন হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা হৌদোকখিবা নেসনেল এদুকেসন পোলিসি (এন.ই.পি)-২০২০ মনিপুরদসু নীংথিনা চৎনবা হৌবগী মমি তারে।

সেন্ট্রেল স্কুল অমা ওইরিবা কেন্দ্রিয়া বিদ্যালয়া লমফেলপাৎতসু এন.ই.পিগী থৌশিল থৌরাংশিং নীংথিনা চৎনবা হৌরে। হীরম অসিগী মতাংদা বিদ্যালয়া অসিগী প্রিন্সিপাল-নামারম বিশ্বনাথকা ঙসি অকাশবানি ইম্ফালগা অখন্ননা উন্নবা অমদা শ্রী বিশ্বনাথনা হায়-তিনশুকিয়া রিজনগী ওইনা কেন্দ্রিয়া

বিদ্যালায়া (কে.ভি) ৪১ লৈবগী মনুংদা কে.ভি. লমফেলনা মহৈরোই খ্বাইদগী য়ামা তম্বা বিদ্যালায়া ওইরি। বিদ্যালায়া অসিদা হৌজিক পুন্না মহৈরোই লিশিং ২,২৫০ লৈ।

এন.ই.পি. গাইদ লাইন মতুং ইন্না  লাক্লিবা একাডমীক সেসন-২০২৬-২৭তগী ক্লাস ৰানগী সেক্সন মরি লৈবগী মনুংদা অমদা মনিপুরি লোলদা মহৈ তম্বীবা হৌরগনি। মসিগী মথক্তা ক্লাস সিক্সতগীনা টেন ফাওবদা ভোকেস্নেল এদুকেসনগী শরুক অমা ওইনা আর্টিফিসিয়েল ইন্টিলিজেন্স (এ.আই) অমসুং ক্লাস এলভেনদগী টুয়েল্ব ফাওবদনা যোগা তম্বীরি। মসিগী মথক্তা আর্ট অমসুং ম্যুজিক্কী খুত্থাংদা অঙ্কা তম্বাবা অমদি চহি অমগী মনুংদা নুমিৎ ১৫ নি ক্রাফটসকী ত্রেন্নিং পীবনচিংবা চত্থরি। কুমজা ২০২৩ দগী হৌদুনা ক্লাস, সিক্স, সভেন অমদি আইটতা মীতৈ ময়েক তম্বা হৌরে।

**আর.ও(এল)ঃ** ওপরেসন সদভাবনাগী মখাদা ভারত লান্মীনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ত্রোংলাউবীদা রিভরস ওসমোসিষ্ট (আর.ও) ৱাটর প্যুরিফিকেসন অমদি ষ্টোরেজ প্লান্ট শঙ্গাখ্রে। ৫৯ শুবা মাউন্টেন ব্রিগেটকী কম্মান্দর-ব্রিগেদিয়ার সচিন মহাদিকনা প্লান্ট অদু শঙ্গাখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা অনিশুবা জে.এ.কে. লাইটকী কম্মান্দিং ওফিসার-কর্নেল অভিসৈখ কুমার, থবক্তগী পোত্থরবা লেফটনেন্ট কর্নেল-কোন্সম নিলাকুমার সিংহ, অকাশবানি ইম্ফালগী রিজনেল ন্যুজ য়ুনিটকী হেদ-কোঞ্জেংবম সোনিকুমার সিংহ, মোইরাংগী এস.দি.ও. সোমোরজিৎ সিংহ, মোইরাং ব্লোক্কী বি.দি.ও-হেমাম রিকি সিংহ অমদি খুঞ্জাশিং শরুক য়াখি।

**মীতিং(এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা ঙসি জিলা অসিদা পি.এম. শ্রী স্কুলগী হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা সেন্ত্রেল নোদেল ওফিসারনা য়েংশিনখ্রে।

ভারত সরকারগী শিক্ষা মন্ত্রালয়গী সেন্ট্রেল নোদেল ওফিসার-শ্রী ভাসকর চোরারিয়ানা ঙসি পি.এম. শ্রী স্কুলগী মতাংদা য়েংশিনবগা লোয়ননা খন্ন-নৈনখ্রে। থৌরমদুদা শরুক য়ারদুনা বিষ্ণুপুর জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রীমতি পুজা এলাংবমনা হায়-পি.এম. শ্রী স্কুল অসিনা অঙাংশিংদা তোপ তোপ্পা মগুন লৈবা ইন্সটিট্যুসন অমা পীবা ঙমলগনি। মসিনা স্কুলশিংদা মতমগা চুন্নরবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং শেমগৎতুনা মহৈরোইশিংদা হেন্না শাফহল্লগনি।

মীফম অদুদা সমাগ্রহ শিক্ষা সেকেন্দরিগী এদিসনেল ষ্টেট প্রোজেক্ট দাইরেক্তর-শ্রীমতি খুমুকচম রেনুকানা জিলা অদুদা হৌজিক পি.এম. শ্রীগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল থমখি। মহাকা হায়-অপুনবা পি.এম. শ্রী স্কুল ১২১ গী মনুংদা ১৫ জিলা অসিদা লৈ।

**হিল (এল)ঃ** চীংগী জিলাশিংদা ভিলেজ ওথোরিতিগী মীখল পাঙথোকবগী মতাংদা ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস বিভাগনা হিল এরিয়া কমিতিদা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা খঙহন্দনা থবক পায়খৎলম্ববু মীৎয়েং চংবীনবা হিল এরিয়া কমিতিগী চেয়ারমেন-দিনগাংলুং গাংমৈনা মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগী পুকিং চিংশিনখ্রে।

শ্রী দিনগাংলুংনা পীশিনখিবা অইবা চেরোল অমদা হায়-সংবিধানগী আর্টিকল ৩৭১ (সি) গী মতুং ইন্না চীংগী লমশিংদা লৈবা ভিলেজ ওথোরিতি অসিসু হিল এরিয়া কমিতিগী মখাদা লৈরিবনি। অদুবু কমিতি অসিদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী পাউ ফাওরমদনা ত্রাইবেল এফিয়ার্স এন্দ হিলস বিভাগনা ভিলেজ ওথোরিতিগী মীখলগা মরী লৈননা দি.সিশিংদা পাউ খঙহল্লকখিবা অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চংবিয়ু হায়রি।

**সিআইএসএফ(এল)ঃ** লৈবাক অসিনা ঙসি সেন্ট্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিতি ফোর্স (সি.আই.এস.এফ) কী ৫৭ শুবা রাইজিং ডেগী থৌরম পাঙথোক্লি।

রাইজিং ডে নুমিৎকী থৌরম অসিনা লাকপদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভালানা সি.আই.এস.এফকী পার্সোনেলশিংবু ইকায় খুমবা উৎলক্লি। সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা রাজ্যপালনা হায়-ফোর্স অসিনা লৈবাক অসিগীদমক থৌনা লৈনা কৎথোকপগা লোয়ননা লৌরিবা থৌদাংশিং ইকায় খুমবা উৎলি। ফোর্স অসিনা কৎথোকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগীদমক তৌরিবা সেভা অসিনা ভারতকী ঙাকশেলগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কলহনবতা নত্তনা লৈবাক অসিনা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগী মমাংদা চাউথোকচনিংঙাই ওইরি।

অমরোমদা, নুমিৎ অসিনা লাকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা সি.আই.এস.এফকী পার্সোনেলশিং অমসুং মখোয়গী ইমুং মনুংদা য়াইফ পাউজেল পীরি। সোসিএল মেদিয়া পোষ্ট অমদা শ্রী বিরেননা হায়-সেন্ত্রেল ইন্দষ্ট্রিয়েল সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী কৎথোকপা, দিসিপ্লিন অমসুং প্রোফেলিজমনা লৈবাক অসিগী ক্রিতিকেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর অমসুং নাগরিকশিংবু অশোয় অঙাম য়াওদনা থল্লি। লৈবাক অসিগীদমক মখা তানা ফোর্স অসিনা অচৌবা থৌদাং কয়া মায় পাকা লৌরকপা ওইসনু ।

**দোনেসন(এল)ঃ** সেন্ত্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সি.আর.পি.এফ) কী ৮৭ শুবা রাইজিং ডে থৌরমগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা ঈ-দান তৌবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু কাংপোকপীদা লৈবা সি.আর.পি.এফকী ১১২ শুবা বটালিয়ননা শিনদুনা ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতালদা পাঙথোকখিবনি। সেফ এ লাইফ গিব ব্লড হায়বা পান্দমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি.আর.পি.এফকী পার্সোনেলশিংনা ঈ দান তৌখি।

**মীসনঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা ২০২৮ গী দিসেম্বর ফাওবা জল জিবন মীসন চথনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাউমীশিংদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সভাপতি ওইদুনা ফমখিবা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলগী মীফমনা জল শক্তি মন্ত্রালয়না হায়জরকখিবা অদুদা অয়াবা পীখিবনি। মীসন অসিনা নুপীশিংগী অৱাবদা চাউনা মতেং পাংলি। মীফম অদুদা মীসন অসিগীদমক পুন্না লুপা কোতি ৮ লাখ ৬৯ গী মনুংদা কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি অহুম লাখ ৫৯ গী তেংবাং পীরগনি হায়রি।

মীফম অদুনা তামিল নাদুগী মদুরাই ইয়ারপোর্টপু ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্ট ওইনবগী ৱারেপসু লৌখি।

**যুনিয়নঃ** পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি-হরদ্বিপ সিংহ পুরিনা হায়রি-লৈবাক অসিগী ওইনা ইনজিগী অৱাৎপা লৈতে। মীয়ামনা মসিগীদমক মীপায়নিংঙাই ওইদে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী পুরিনা হায়-ভারতকী ইনজিশিং তোঙান তোঙানবা মায়কৈদগী ভারত তমা মরাং কায়না পুশিল্লক্লি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা তোঙান তোঙানবা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা দোমেষ্টিক কঞ্জুমরশিংদা সি.এন.জি. অমসুং পি.এন.জি. ৱাৎতনা পীনবা থৌরাং তৌরে। হৌজিক হৌজিক নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদনা মীয়ামনা মীপায়নরবসু মসিগীদমক সরকারনা থৌরাং কয়া পায়খৎলে।

**ফুটবোলঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হৈবোংপোকপীদা চথুরিবা অহানবা ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা তোকে এফ.সি. খুরখুলনা নজরিক এফ.সি. হৈবোংপোকপীবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখি।

**পরাঃ** হায়দ্রবাদকী কনহা শান্তি বনামদা লৈবা হার্ট ফুললেস গোপিজান বেদমিনটন একাডমীদা থা অসিগী ৭ তগী হৌদুনা চথুরকখিবা তরেৎশুবা

সেনিয়ার নেসনেল পারা বেদমিন্টন চেম্পিয়নসিপ ২০২৬ ঙসি লোয়শিনখ্রে।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াখিবা মনিপুরগী শান্নরোই-এল. নিখিলনা এস.এল.থ্রি কেটেগোরিদা শেঞ্জেংগী তকমান অমা ফংবা ঙমখি।

**ত্রাইথ্লোন ঃ** ভারতকী এঠলেট-অনন্ট রানানা ন্যুজিলেন্দগী তৌকোদা পাঙথোকপা ফুল আইরনমেন ন্যুজিলেন্দ ত্রাইথোলোনদা ঐতিহাস শেন্বা ঙমলে।

মহাক্কী শান্নরোই অসিনা সুইমিং, সাইক্লিং অমসুং মরাথোন রন পুং ১১ গা মিনিট ৫০ গী মনুংদা পন্থুং য়ৌবা ঙমখি।

**ক্রিকেটঃ** আই.সি.সি. মেন্স টি-টোইন্তি ৱাৰ্ল্ড কপকী টাইতল লৌবা ঙমখ্রবা ভারতকী ক্রিকেট টিমদা বি.সি.সি.আইনা নুপা ক্রোর ১৩১ গী শেলগী মনা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

বি.সি.সি.আইগী সেক্রেটরি-দেবজিৎ সাইকিয়ানা থোকপা চেরোল অমনা হায়-মনা অসি সুরিয়াকুমার যাদবনা লুচিংবা ভারতকী মায় পাক্লবা টিম অসিগী শান্নরোই ১৫, কোচিং ষ্টাফ অমসুং অতৈ সরবোদিনেট ষ্টাফশিংদা সিয়ার তৌগনি।